## মণিপুরী ২ য়াওনা মীওই ৩ লুপা ক্রোর ৩.৫গী দ্রগকা কোন্ননা ফারে

কোলকতা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী): কোলকতা পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)না ই এম বাই পাসতা ঙসি দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফাখ্রে। মীওইশিং অদুদগী লুপা ক্রোর ৩.৫ রোমগী ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফারে হায়রি।

এস টি এফকী ওফিসলশিংনা লম্বীদা চিংননিঙাই ওইনা থৌরকপা কার অমা খাল্লগা চেক তৌবদা থোঙগী মমাং অমসুং মনিং থংবা শরুক্তা চিংননিঙাই ওইবা পোৎলম খরা লোৎলগা পুরম্বা থেংনখি। য়াবা টেব্লেট হায়নসু খঙনবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদুবু পুরল্লিবা মীওইশিং অদুদি মণিপুরদগী মহমদ অমির খান অমসুং মহমদ নাজির হুসেন, লোয়ননা বিহারদগী নাগেশর মহাতোনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলগা ফেব্রুৱারী ২৫ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

## লান্না শন্দোকপীগনু : লমজিংবা সর্ভিস

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): লমজিংবা কেফনা ঙসি ফাওবদা মীয়ামদগী শেল হেন্না লৌদ্রি। মীয়ামদা লান্না শন্দোকপীগনু হায়না লমজিংবা সর্ভিসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পেবম সনানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা পেবম সনানা হায়খি, লমজিংবা কেফনা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাক্লি। লমজিংবা কেফকী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লক্লি। লমজিংবা কেফনা মীয়ামদগী অমদি শক-মায় য়েংলগা শেল হেন্না লৌখিবা লৈতে। লমজিংবা কেফতা শীরিবা মরাল য়ুম্ফম য়াওদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৱাই কে কোলেজকী ৱিমেন হোষ্টেল শঙ্গাখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচএনএস): য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) (এন ই আর ও) গ্রান্ট, টুয়েল্ভ প্লানগী শেন্থং মখাদা নৌনা শাবা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী ৱিমেন হোষ্টেল ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না পাউনম ব্রোজেন, এম এল এ ৱাংজিং তেন্থা এ সীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। য়ু জি সী গ্রান্ট, টুয়েল্ভ প্লানগী মখাদা লুপা লোক্ষ ৭৮ লোম চংনা শারিবা কা ৮ লৈবা হোষ্টেল অসিদা ফমুং ৩০ লৈগনি হায়রি।

ঙসিগী হোষ্টেল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন, ৱাই কে কোলেজকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এস গিরি, সী দি সী, এম য়ুগী দিরেক্টর প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমার অমসুং দি এম সাইন্সকী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর জদুমণিনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। আই আর ই ওফ টিচর এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল নারেংবম রজিভকুমার, ৱাই কে কোলেজকী ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## এম এস এফনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): ফেব্রুৱারী ১৪ অমসুং ১৭তগী হৌগদৌরিবা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা এগজামদা শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান তোঙানবা মহৈ লোয়শঙশিংগী মহৈরোয়শিংবু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইরমদম মণিপুর খুন্নাইসিগী তুংলমচৎতা অফবা চাউখৎপা মণিপুর খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরক্কদবা মরম্না চাংয়েং এগজাম অসিদা অকি-তুজুংবা লৈতনা মহৈরোয় খুদিংমক্না ৱাখল ঈংনা এগজাম থাবীয়ু।

মহৈরোয় মরুপ পুম্নমক মায় পাক্না মিংচৎ উরোং খিনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনবীয়ু। অরানবা পান্বে শীজিন্নবীগনু। লোয়ননা মমাঙথক্তা অরানবা, অশোয়বা কয়া লৈখ্রবসু লাক্কদৌরিবা অমদি মতুং তারকপদা মহৈরোয়শিংগী অমদি তুংলমচৎকী খনবীরগা কোসেম অমদি বোসেমনা চেকশিন্নবা এম এস এফকী মায়কৈদগী আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱেটলেন্দ ফিশরিজ মেনেজমেন্টকী স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): আই সী এ আর-সী আই এফ আর আইনা দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজ, মণিপুরগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা ৱেটলেন্দ ফিশরিজ মেনজমেন্টকী মতাংদা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আই সী এ আর-সী আই এফ আর আই রিজনল সেন্টর, গুৱাহাতিনা দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজগা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা নোমিনেট তৌরকপা ঙামী ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। ৱেটলেন্দ ফিশরিজ, ফিশরিজ ওফ মণিপুর, কঞ্জার্ভেসন এন্দ সষ্টেনেবল য়ুটিলাইজেসন ওফ পেটস, কলচর টেক্নোলোজিস (পেন এন্দ কেজ কলচর), ফিশ ফীদ এন্দ ন্যুত্রিসন, ফিশ হেল্ঠ মেনেজমেন্ট, সোইল এন্দ ৱাটর ক্বালিটি মেনেজমেন্ট অমদি ফিশরিজ লেজিসলেসনগী মতাংদা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা খন্ন-নৈনখি। লোক্তাক অমদি তাকমুদা থা অসিগী ১১ দা ফিল্ড ভিজিট অমা চৎপগা লোয়ননা প্রক্টিকেল এক্সপোজর পীখি।

ভেলিদিক্টৈরি সেসনদা জোইন্ট দিরেক্টর, দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজ জি অগুইলুং কবুই, দি এফ ও চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এন হেমচন্দ্র, আই সী এ আর-সী আই এফ আর আই গুৱাহাতিগী হেদ ওফ সেন্টর ডা. বি কে ভট্টচার্জ্যা অমদি সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. এস য়েংকোকপমসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

আই সী এ আর-সী আই এফ আর আইগী দিরেক্টর ডা. বি কেনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। সাইন্টিষ্ট এস সী এস দাসনা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুগী মতাংদা রিপোর্ট থমখি। এন হেমচন্দ্রনা ঙামীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা সাইন্টিফিক টেক্নিক কয়া শীজিন্ননবগী মতাংদা ৱাফম ফোঙদোকখি।

জি অগুইলুং কবুই, জোইন্ট দিরেক্টর, দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজনা ফোঙদোকখিবদা, ৱেটলেন্দ ফিশরিজ মেনেজমেন্ট ওফ মণিপুর ফোর লাইভলিহুদ ইম্প্রুভমেন্ট হায়বা হীরমদা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুর অসি ঙাবু নুংশিবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিদা ঙাগী প্রদক্সন হেনগৎহনবা য়াম্না তঙাইফদে। মণিপুরদা ঙা চাবা মীগী মশিং য়াম্না লৈবা মরম্না ঙাগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ডা. বি কে ভট্টচার্জ্যাগী মায়কৈদগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিশরিজ মণিপুরনা প্রোগ্রাম অসিগীদমক মতেং পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। ফিশরিজ ইন্সপেক্টর এ মোমোনা থৌরম অদুগী থাগৎপা ৱাহৈ পীখি। প্রোগ্রাম অদু ফিশরিজ ইন্সপেক্টর সেরিনা হুইদ্রোমনা হোষ্ট ওইখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## মাস রিফোর্মেসন কেম্প্যেন ফেজ টুদা চীং-তম হায় স্কুল য়াইঙংপোকপীগী ফীভম য়েংশিনখ্রে : দেসাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মাস রিফোর্মেসন কেম্প্যেন ফেজ টুগী শরুক অমা ওইনা অহানবা সেরিজদা ময়াংলাংজিং হায় স্কুল য়েংশিল্লুরবা তুংদা সেরিজ টু ওইনা ঙরাং য়াইঙংপোকপীদা লৈবা চীং-তম হায় স্কুলদা দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন অমদি একাদেমীক এফেয়র্স লোংজম রোবিননা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনখ্রে হায়না দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল লময়ানবা মৈতৈনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা লময়ানবা মৈতৈনা হায়খি, ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা লৈবা স্কুল অসি ওজা ৬ খক্তমক লৈরম্বা থেংনখি। ওজা ৬ অসিগী মনুংদা ওজা ২দি য়ুটিলাইজেসননি। য়ুটিলাইজেসন অনী অসিগী মনুংদা ওজা অমদি লাকখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। এটেন্দেন্স রেজিষ্টরদসু নিল লৈরমখি। লুৱাংশংবমদগী এন রোকিকান্তা হায়রিবা ওজা অসিসু লাক্তে। মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। সাইন্স গ্রেজ্যুএট ওজা মরি লৈগদবদা ওজা অমখক লৈরমখি। অঙ্কাগী ওজা অমত্তা লৈতে। আর্টস গ্রেজ্যুএট ওজা মরি লৈগদবদা অমখক লৈরমখি। হিন্দীগী ওজা অমখক লৈরি। কম্প্যুটর সাইন্সকী ওজা অমা য়ুটিলাইজেসনদা লৈরমখি। নন-টিচিং ষ্টাফ অমফাওবা লৈতে। স্কুল অসিগী ক্বার্টর য়াম্না ফীভম শোক্না লৈরমখি। থক্লবা ঈশিং লৈতে। মমাঙদা ওজা ১৮ লৈদুনা য়াম্না মায় পাক্না চলাইরম্বা য়াইঙংপোকপীগী অমত্তা ঙাইরবা হায় স্কুল ওইরিবা স্কুল অসি ওজা ত্রান্সফর অমদি প্রমোসন তৌখ্রগা মহুৎ থারক্তবনা ওজা লৈতবদগী স্কুল অসি লৈখা তারকপনি। স্কুল অসিদা মহৈরোয় ৯৯ লৈরি। ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০ দা স্কুল অসিদগী মহৈরোয় ১২ থাগদৌরি। জোইন্ট দিমান্দ কম্মিটি চীং-তম হায় স্কুলনসু স্কুল ফাওবা অৱাৎপা ওজাশিং হাপত্রবদি থিংগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈরে।

সেরিজ থ্রীদা য়াইঙংপোকপী প্রাইমারী স্কুল য়েংশিনখি। ক্লাস ৱানদগী ফাইব ফাওবা লৈবা স্কুল অসি ওজা ৩ খক্তনা চলাইরমখি। হেদ মাষ্টর ইন-চার্জ মশাসু সেন্সসকী চৎখিবনা রেগ্যুলর ওইবা ঙল্লোইদৌরি হায়না ফোঙদোরকখি। মহৈরোয় ৬০ লৈরম্বদা হৌজিক্না ২০ এদমিসন তৌরে। ওজা অনীনা তাকপী-তম্বীরি। স্কুল অসিগী টোইলেট লৈতে, থক্লবা ঈশিংসু ফংদে। ওজা অমদি মহৈরোয়শিং নীংবা কায়না লৈহৌরি। লৈঙাক্কী স্কুলগী ফীভম অসি অসুক্কী ফীভম শোখরি। মসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু। মখা তানা দেসামগী মাস রিফোর্মেসন কেম্প্যেন ফেজ টুগী সেরিজশিং ফোঙদোরক্কনি।

নাকল অমরোমদা, টি এম মেমোরিয়ল ইংলিস স্কুল, হৈরোক পার্ট থ্রীদা দেসাম হেদ ওফিসকী কলচরেল এফেয়র্স সেক্রেটরি ও সুর্যকান্তানা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ তাবদা হৈরোক্তা লৈবা স্কুল অসিগী ফাউন্দরগী য়ুম অমদি বোর্দিং মৈনা চাকখিবা থৌদোক অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা দেসামনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। অৱাবা তারবশিংগী মফমদসু অৱাবদা শরুক য়ারি। টি এম মেমোরিয়ল বোর্দিংদা লৈবা ঐচ এস এল সী এগজাম থাগদবা মহৈরোয় ২৭কী এদমিট কার্দ অমদি লাইরিক মৈনা চাকখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## এম পি পিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম চৎনবা য়ারোই : শরতচন্দ্র

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): এম পি পিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম ঙরাং ফমদুনা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোবু প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী তান্থোক্লে হায়রিবা সেন্ট্রেল কম্মিটি মীফম চৎনবা য়ারোই হায়না এম পি পি য়ুথ ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট শরতচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা শরতচন্দ্রনা হায়খি, প্রেস মীট অসি এম পি পি য়ুথ ফ্রন্ট অমদি চনুরা মরুপনা পাঙথোকপনি। এম পি পিগী প্রসিদেন্টদা চার্জ ময়াম তৌদুনা প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী তান্থোক্লে হায়বা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীটিং অদু মরম চাদে। পার্টিগী অথিংবা লৈনা লৈনা অয়ুক পুং ৫.৩০ দা লোন্না চঙশিল্লগা ফমখিবা মীফমনি। সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বর অমত্তদা নোটিশ থোকখিবা লৈতে। মীফম অদু চৎনবা য়ারোই। একাউন্ট ষ্টেটমেন্টদি য়ুনানিমস ওইনা পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা পাস তৌখি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৩, জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা মীওই ৫না পার্টিগী ছো লোন্দুনা লৈরিবা ওফিসতা চঙশিল্লগা প্রসিদেন্ট তান্থোক্লে হায়বা অসি য়াবা ঙল্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ‘বেটি পরাও স্কিম লৈরগসু অঙাংদা ওৎ-নৈবগী চাংদি ৱাংনা চৎলি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): বেটি বচাও বেটি পরাও হায়বা স্কিম লৈরবসু অঙাংশিংদা ওৎ-নৈবগী চাংদি ৱাংনা চৎলি হায়না মণিপুর এল্লাইয়ন্স ফোর চাইল্দ রাইটসকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কে প্রদিপনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কে প্রদিপনা হায়খি, কুমজা ২০১৩ দগী ২০১৯ ফাওবদা চহী ১ দা এভরেজদা কেস ৭৮ ফংই। চাং য়াম্না ৱাংনা চৎলি। মণিপুরদা চাইল্দ সেক্সুএল লৈরে। চহী ৩ অসিদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্টনচিংবা কয়া লাক্লি। কেস লোইশিনবা মতমদা পীবা, কম্পেন্সেসন অসি তানদ্রবদি ফংবা ৱানা ভিক্টিম ওইনা লৈরে। মণিপুর ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিম ২০১৮ হায়না নোটিফিকেসন থোক্তুনা লৈরিবা অসিগুম্না স্কিমসিগী মখাদা থা ২ গী মনুংদা লোইশিল্লু হায়রিবনি। সোসল ৱেলফেয়রগী মখাদা সী আই পি এস হায়না স্কিম লৈ। হৌখিবা চহী ৩দা এম সী পি সী আরনা সী আই পি এসকী ষ্টাফশিংদা নোটিফিকেসন তৌবা য়াওনা পায়খৎলক্লি। কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ১দা এক্যুজদা চৈরাক পীবগী কম্পেন্সেসন পীনবা লাউথোকখিবা অদু হিষ্টোরিক ওই হায়খি।

## লমজিংবা গ্রুপ নমথাক তৌবা কম্পেনিনি : পি আর ঈ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): লমজিংবা গ্রুপকী কংলা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর মীয়ামদা য়ুমথোঙ খূদিংদা ফংহনগনি হায়না য়াল্লবা শেনফম খোমগৎখ্রগা ঙসি ফাওবা ঈশিং পীদনা লৈরিবা অসি পব্লিক রিলেসন এগজিক্যুটিভতদি অৱাবা তারে। কম্পেনি অসি মীয়ামদা নমথাক তৌবা কম্পেনিনি হায়না পব্লিক রিলেসন এগজিক্যুটিভ (পি আর ঈ) ওইনাম দিক্সননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওইনাম দিক্সননা হায়খি, কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বরদা কম্পেনি অসিনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা পি আর ঈগী পোষ্ট ৬০ লৌনবা এভর্টাইজ থোকখি। ইন্টর্ভিয়ু তৌদুনা খল্লবশিং ইন্ট্রদক্সন প্রোগ্রাম অমা ক্লাসিক গ্রান্দেদা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ২৬ তা পাঙথোকখি। লমজিংবা গ্রুপকী চ্যেরমেন সনসম জেকিসু শরুক য়াখি। কম্পেনি অসিগী মখাদা কংলা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটর মীয়ামদা ফংহন্নবা নোংমদা ঈশিং ঝার লাখ ১, লিটর ২০গী চাংদা পুথোকপা ঙম্মী হায়না টার্গেট তৌখি। পি আর ঈ শিংনা কষ্টমর ৩৩০০০দগী লুপা ক্রোর ২ খরা হেন্না খোমগৎখি। শেনফমশিং অসি পি আর ঈনা খোমগৎলগা কম্পেনিনা পায়শিনখিবনি। ঈশিং পীগনি হায়বসু পীদ্রে। কনষ্টিট্যুএন্সি ৬তা ঈশিং লিটর ৩০০/৩০০ খক ফংহনবা নত্তনা অতৈ ফংহনখিবা লৈতে। মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবা অসিনা মরম ওইরগা পি আর ঈ ওইনা থবক তৌরুবশিং লৈকায়গী মীওই অমদি মরী-মতাগা খৎনবগী ফীভমদা লৈরে। চুড়াচান্দপুরগী পি আর ঈদা মীওই খরনা নমথাক তৌরগা শেল লৌহল্লি হায়দুনা অকি-অখঙ পীদুনা ময়ুমদা লৈবা ফংদ্রে। অথুবা মতমদা লমজিংবা গ্রুপ কম্পেনিনা পি আর ঈ শিং শীজিন্নদুনা খোমগৎখিবা কষ্টমরশিংগী শেনফম হন্দোক্কদবনি। পি আর ঈ শিংগী চঙগদবা শেনফমসু হন্দোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পি আর ঈ ওইনা থৌ পুরুবা কয়া হৌজিক অরুবা ফীভম অমদা লৈরে। লৈকায়গী মীওইশিং অমসুং মরী-মতা কয়াগসু খৎনবগী ফীভম অমদা লাক্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীবা চুমগনি হায়নসু মখা তারি।

## মণিপুর পিপলস পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটি মীটিং ফমদুনা থৌ পুবা কয়া খনখ্রে : গীতাজেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী সেন্ট্রেল কম্মিটি মীটিং ফমদুনা থৌ পুবা কয়া খনখ্রে হায়না এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ঐচ গীতাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পাউমীশিংগা উনবদা ঐচ গীতাজেননা হায়খি, এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ও জুগিন্দ্রো পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ফমদগী অমদি প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী লৌথোকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী মখাদা লৈরম্বা জেনরেল সেক্রেটরি, সেক্রেটরিশিং অমদি ফ্রন্টেল সেলশিং দিজোল্ভ তৌখ্রে। শেল-থুম লান্না শীজিন্নরম্বগা মরী লৈননা জুগিন্দ্রোগী মথক্তা ইনক্বারি চথনবা মীওই ৯ না শাবা কম্মিটি শেমখ্রে। পার্টি অসি ফঙ্কসন তৌবা য়ানবা ঙরাং ফমখিবা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফম্না এল কৃষ্ণদাসপু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট অমদি এম অমুতোম্বীবু ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা মশা লায়েংনবা ছুটি লৌদুনা লৈরিবা মতমদা সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টতা থবক শীন্নবগী মহুৎতা জুনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টতা শীন্নবা কয়াসু লৈখি। এম পি পিগী ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা তঙাইফদনা সেন্ট্রেল কম্মিটি মীটিং ফম্বগা লোয়ননা প্রসিদেন্টকী মথক্তা ইনক্বারি চথনবা মীওই ৯ না শাবা কম্মিটি শেমখিবনি। লোয়ননা পার্টি ফঙ্কসন তৌবা য়ানবা ইন্টরিম প্রসিদেন্টসু খনখিবনি হায়খি।

## শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগা লোয়ননা মমাঙ চহীদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা নুপা অমসুং নুপীগী শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল অথোই-অহেন তান্নবা, ৪৮শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে। মমাঙ চহীদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মনিত্রোনগী চ্যেরমেন ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যামনা হায়খি, শুমাং লীলানা মণিপুরদা লৌরিবা থৌদাং খঙমিন্নবা চুমগনি। শুমাং লীলানা মীয়ামদা মীকুপ খরদং নোকহনবা ওইরবসু পাউজেল পীরি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শুমাং লীলা চাউখৎনবা অমসুং য়োকখৎনবা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা লাক্লি। শুমাং লীলা অসি খুন্নাইগী অমোৎপা শেংদোক্লবা মেদিয়ম অমনি। ইমুং-মনুং য়েংবা য়াবসি শুমাং লীলা ওইবা মরম্না শুমাং লীলাগী চৎন-কাঙলোন শেন্বীয়ু। ফেষ্টিভেলগী অথোই-অহেন তান্নবগী মনা-মথুম অসি চহী ১ লৈরগা পীবগী মহুৎতা হন্দক চহীদগী হৌরগা ফেষ্টিভেল লোইবদা এৱার্দ পীহন্নিংই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ থোকচোম সৈত্যবর্ত্তনা হায়খি, পাউজেল হায়বসি শুমাং লীলাগী খুথাংদা পীবা অসিনা য়াম্না তেনবদা য়ৌবা ঙম্মী। খুন্নাইগী ইমুং-মনুংগী ওইবসু অশোয়বা কয়া শেমদোকপা ঙম্বা অমদি পাউজেল পীবা অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মমাঙ চহীগী ফেষ্টিভেলগী মকোক-মথং তারবশিং অমসুং বেষ্ট এক্টর, এক্ট্রেস, বেষ্ট কোমেদি, বেষ্ট রাইটরনচিংবা য়াওনা এৱার্দশিং লান্থোকখি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না প্রসিদেন্ট ওইখি।

## দিমান্দশিং পীদুনা মেত্রিক অমদি টুয়েল্বকী এগজাম মপুংফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবিয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচএনএস): মহৈরোয়শিংগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা মেত্রিক অমদি টুয়েল্বকী এগজাম নকশিল্লক্লবা তানজা অসিদা কাউন্সিল ওফ টিচর এসোসিয়সননা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজাম অসিদা শরুক য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবা থৌদোকনি। এগজামগী মতম অসিদা মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা চরাংনবা অমা থোকহল্লিবা অসি লৈঙাক্না ওজাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী মতাংদা তানবিদুনা কোকহনবিয়ু হায়না ঙসি ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

অপুনবা ঈরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলুপ (এমস), ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ টি এস য়ু এম) অমদি দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না পুন্দুনা ফমখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্না কোলেজগী ওজাশিংনা তানখিবা দিমান্দ পিরগনি হায়খিবা ৱাফম অদুবুদি থাগৎপা ফোঙদোকই। অদুবু স্কুলগী ওজাশিংনা হৌখিবা চহী কয়াদা মমাংদা তানখিবা দিমান্দশিং পীবগী মহুৎতা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা থবক তৌখিবা অদুনা ওজাশিং অসিনা তঙাইফদনা খোঙজং অসি চঙশিল্লকখিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না তুং কোয়না চৎকদবা থবক-থৌরমশিং তৌবিবগা লোয়ননা ঙাংখিবা ৱা ঙাক্তুনা থবক ওইনা পাঙথোকহন্নিংই। লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না ৱারী শাবিদুনা মখা তানা খোঙজং চঙশিনদনা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজাম অসি মায়পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ টি এস য়ু এম)কী প্রসিদেন্ট ভারিয়ো শটসঙ অমদি অপুনবা ঈরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলুপ (এমস)কী প্রসিদেন্ট খুমনজম রোমেনসু শরুক য়াখি।

## কছারগী লমাগ্রামদা ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈখ্রবা মীতৈশিংগী অপূনবা নুংশিনবগী মরী অমা শাগৎনবগী পান্দমদা চহীসিগী মার্চ ৪দগী ৫ ফাওবা কছারগী লমাগ্রামদা ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটি ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন ২০২০গী এদভাইজর পি সোনামনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা পি সোনামনিনা হায়খি, চহী লিশিং ৫ হেন্না লৈরক্লবা লাইনিং-লাইশোন, চৎনবী অমদি নাৎ কয়া মাঙশিল্লক্লিবা অসি অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা মালেমদা শক তাকপা মতম ওইরে। অসাম, মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকা লোয়ননা নুমীৎ নীনি চুপ্না কছারগী লমাগ্রামদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন অসিদা সী এমনা হৌদোক্কনি। লোইশিনবা থৌরমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ শরুক য়াগনি। ইপা-ইপুগী ঈগী মরী থিদুনা নুংশি মরী শাগৎনবগীদমক কনভেন্সন অসিদা শরুক য়াবীয়ু।

মীতৈশিংগী ওইবা অপূনবা প্লেটফোর্ম ওইবা এপেক্স বোদি অমা লৈতবনা ৱাখল্লোন চোইজাইননা লৈবগুম তৌরিবসি লাইবক থীবনি। বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারনচিংবদা লৈরিবা মীতৈশিংনা কমদৌনা হিংলি হায়বা খঙমিন্নদুনা মালেমদা মীতৈ ফুরুপ লৈরি হায়বা তাকপা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অৱাং-নোংপোক কনবা ঙম্বা পার্টিদি ভারতিয়া জনতা পার্টি খক্তনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচএনএস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) নত্তনা অৱাং নোংপোক কনবা ঙম্বা পার্টি লৈবাক অসিদা অতোপ্পা পার্টি কনা লৈতে। চহী খরগী মমাংদা বি জে পিবু মীয়াম্না থোইদোক্না লুম্না লৌনরমদে অদুবু সেন্টরদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট লাকপদগী ঙসিদি চাউখৎপগী লম্দা মাং থাবা খক নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমবু য়াম্না লুম্না লৌজবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট মমাংদসু লৈখিদ্রি মতুংদসু লাক্লোই হায়না মধুমঙ্গলগী ২৫শুবা মারটয়রদম এনিভর্সরিগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

সহিদ মধুমঙ্গল ফাওন্দেসননা শিন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মতম অমদা মণিপুরগী ওইরল্লিবা ফীভমশিং অসি সেন্টরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টশিংদা মচা খাইনা তাকপা ঙমদবদগী থোকপনি হায়না খল্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা ষ্টেট অমা ওইজগে, ইন্দিয়াগী লৈরিবা লোলশিংগী মনুংদা ৮ সেদ্যুলগী মনুংদা চলহনবিয়ু হায়বা অসি এর্ন্টি ইন্দিয়া ওইনা খলল্লিবা অদু মতম অদুগী ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্না ফজনা পাউদম্বা ঙমদবনা খনখিবনি। অদুবু বি জে পিনা লিদ তৌবা লৈঙাক অসিনা য়াম্না ফজনা কনভিন্স তৌবদগী ৱাফমশিং মুন্না খঙবিবগা লোয়ননা ঐখোয়না তানবা দিমান্দগী মখোয়না হেন্দোক্না হেন্না পীরক্লি। অচুম-অচুম্বা লৈবাক্কী য়াইফগদবা থবক তৌনসি গ্রুপনাইবা থবক তৌনরোইশি হায়খি।

স্কুল ফগৎহনসি হায়বা মিসনদা স্কুল ৬০ খনগৎতুনা স্কুল ফগৎনবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিং খনগৎতুনা সিভিল সর্ভিস থানবা লৈঙাক্না ফ্রি ওইনা কোচিং তৌরি। অসিগুম্বা থবকশিং মণিপুরদা মমাংদা তৌখিদবা থবকশিংনি। উহৈ চাসি হায়রবদি উহৈ পান্বি থাবা তাই। মীওইববু মী ওইনা লোয়নবা মীয়াম্না য়াবা বি জে পী লৈঙাক্লি। লোয়ননা মহাক্না লৈখিদ্রবা বি জে পিগী লুচিংলম্বা পাবুং মধুমঙ্গলগীদমক লৈঙাক্না করিগুম্বা খরদি তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী মখা তারকপা ওইনা এদুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনসু লৈখিদ্রবা মীয়ামগী লুচিংবা মধুমঙ্গলগী মতৌগুম্না ঙসিগী মীয়ামগী লুচিংবশিংনসু মহাক্না পান্নবা থবক-থৌরমশিং পাঙথোক্কবা হোৎনমিন্নশি হায়বগা লোয়ননা মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা বি বি শর্ম্মানা লৈখিদ্রবা মধুমঙ্গলগী পুন্সিগী মতাংদা অমদি মহাক্না পামজরম্বা থবক-থৌরমশিং লোয়ননা মহাক্কী ফজবা ৱাখল্লোনশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না থমখি। থৌরম অদুদা দা. এস রাজেন্দ্রনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। লোয়ননা সহিদ মধুমঙ্গল ফাওন্দেসনগী চ্যেরমেনসু ওইরিবী লৈখিদ্রবা মধুমঙ্গলগী লোয়নবী এস সত্যভামা, লৈবাক্কী ফমদোন-ফম্নাইবশিং অমদি বি জে পিগী থৌমি কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for

CLASS -IX (BOSEM) & CLASS - X (BOSEM)

Class Commencing on: 20th Jan. 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

CLASS -XII Arts (COHSEM) & CLASS - XII Sc. (COHSEM & CBSE)

Class Commencing on: 6th April 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

➡ Form issue : 3rd Feb. 2020
➡ Last-date of admission : 30th March 2020
✱ Van service available
➡ Counselling for Hostelers : 1st, 8th, 15th, 22th & 29th March 2020
➡ To be decleared for list of Hostelers : 2nd, 9th, 16th, 23th & 30th March 2020
➡ Last-date of Hostel admission : 5th April 2020

For inquiry, Pliz. visit 'SANGAI HOSTEL' kwakeithel Ningthemkol

HL-P/5879/6-30jan/1-29feb/2,4mar (alt)